## মীখল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস): মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী অনৌবা থৌ পুগদবা (কুমজা ২০১৯-২১) গী মীখল থা অসিগী ২১ দা পাঙথোক্লগনি হায়না এম দি য়ুগী রির্টনিং ওফিসর ডা. লমাবম গোজেন্দ্রনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মীরেপ চে লৌবগী মতম থা অসিগী ১১ দগী ১৩ ফাওবা ওইগনি। মীরেপ চে পীশিনবগী মতম জুলাই ১৪ দগী ১৫ ফাওবা ওইগনি। অকুপ্পা মরোল এম দি য়ু ওফিসতগী অয়ুক পুং ৭.৩০ দগী ৯.৩০ ফাওবগী মনুংদা খঙবা য়াগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস): অমোৎপা লৌথোকপা লাকপা অঙাংদা নোংমৈ মরু লৌ য়াদবগী ফূখিবা থৌওং য়ানিংদে হায়না পেলেস গেটতা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা সনা কোনুং মৈরা পায়বী লূপগী সেক্রেটরি ইবেয়াইমানা ফোঙদোকখিবদা, গোবিন্দগী কাংগী মতম ওইবনা লূ-নান্না শিৎ শেংবগী থবক কন্না চথরি। অমোৎ-অকায় লৌথোক্লবা থবকশিং চথদুনা লাক্লিবনি। ঙরাং অয়ুক অমোৎপা লৌথোকপা লাকখিবা অঙাং অদুদা কিহনখিবা অদুনা মরম ওইরগা দষ্টবিনদগী অমোৎপা লৌথোকপা লাকপা ঙম্লরোই হায়রম্বনি। কিহল্লল্লিবা মীওই অদুনা তোংলিবা গাড়ী নম্বর থিগৎলুবদা পেলেস গেটতা লৈবা তেলেম বসন্তা কৌবা মীওই অমা ওইরমখি। মহাক কোংবদগী হোংলক্লগা লৈবনি। মহাক লাইসেন্স গন পায়রম্বা ওইরবদি লাইসেন্স কক্কদবনি। লাইসেন্স নোংমৈ পায়রগা লৈকায়দা ফৎতবা চৎথরক্কদ্রা হায়না কিনরে। চীফ মিনিষ্টরনসু মীৎয়েং চঙগদবনি হায়নসু মখা তারি।

## তম্বীবা হৌরগনি

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস): ৱারী লীবা অমসুং অমাই পীবাগী মশিল লাইনিংথৌ সনামহী লাইশঙ হয়িং খোঙবাল অহানবা মণিপুর রাইফলসতা থা অসিগী ১৪ দগী নোংমাইজিং অমসুং শগোলশেন খুদিংগী ৯শুবা বেটচকী ওইনা তম্বীবা হৌরগনি হায়না কংলৈপাক পীবা পুৱারী লিবা অপূনবা লূপ, কংলৈপাক একাদেমী ওফ রিচ্যুয়ল এন্দ নেরেটিভ আর্টস ইম্ফালগী চীফ ইন্সত্রক্টর/ সেক্রেটরি নামোই তোম্বনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ৱারী লীবা, পীবাগী মশিল তম্বীবগী থৌরম অসিদা শক্লাইরবা লৈবাক্লা শকখঙলবা অমাই পীবা অমসুং পুৱারী লীবা ওজা শিন্তাকপা কয়ানা শরুক য়াগনি। ৱারী লীবা অমসুং পীবাগী মশিল তম্বীনিংবা নুপী অমসুং নুপা পুন্নমক্লা অথুবা মতমদা অনম্বা ফোর্ম লৌবীদুনা পীবাগী মশিল অমসুং ৱারী লীবা তম্বীবগী থৌ অসিদা শরুক য়াবীয়ু। অকক্লবা সিট মশিংনি, হান্না মাঙজৌননা চে লানখৎলকপশিংদা খুদোংচাবা পীগনি। অকুপ্পা মরোলগীদমক ফোন নম্বর ৭০০৫৬৯৪১৬০ অমদি ৭০০৫৭১৬২৫৮ তা পাউ ফাওনবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## বনমহোটসভ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস): ইবুধৌ শামুরৌ লাকপা কম্যুনিটি হোল, শামুরৌ মখা লৈকায়দা ঙরাং ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী লমজিং মখাদা য়ুনাইটেদ রুরেল ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন, শামুরৌনা শীন্দুনা বনমহোটসভকী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরমদুদা এম এল এ, ও লুখোই, এক্স-এম এল এ, এস জয়, শামুরৌ ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী চ্যেরপার্সন এল নোনিবালা, কঞ্জার্ভেটর ওফ ফোরেষ্ট এল জয়কুমারনা অথোইবা মীথুংলেনশিং ওইখি। থৌরমদুগা মরী লৈননা শামুরৌগী মফম কয়াদা উ-চারা ২০০০ রোম থাখি। নম্বুল তুরেলগী তোর্ব্বান পরিংদসু উ-চারাশিং থাখি হায়রি।

## কেম্প পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জুলাই ০৯: নেসনল প্লাষ্টিক সর্জরি দেগা মরী লৈননা দিপার্টমেন্ট ওফ প্লাষ্টিক সর্জরি, রিমসনা রোটরি ক্লব ওফ ইম্ফালগী সপোর্টকা লোয়ননা বর্ন ইঞ্জুরি ট্রিটমেন্টকী কেম্প অমা পাঙথোক্লগনি হায়না রিমসকী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট প্রোফেসর সী ঐচ অরুনকুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অদুনা হায়, কেম্প অসিগী খুদোংচাবা লৌবা পাম্বশিংনা থা অসিগী ১১ গী অয়ুক পুং ৮.৩০ দগী নুংথিল পুং ১ ফাওবগী মনুংদা প্লাষ্টিক সর্জরি ও পি দিদা রিপোর্ট তৌবা য়াগনি হায়নসু মখা তারি।

# নুপী-অঙাং ঙাক্লবা ষ্টেট প্রোটেক্সন মেকানিজম পুথোক্লবা তকশিনবা য়াওনা ৱারেপ কয়া লৌখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস): নোর্থ ইষ্ট দাইলোগ ফোরম, হ্যুমেন রাইটস ইনিসিএটিব অমদি কনফ্লিক্ট ৱিদো ফোরমনা শীন্দুনা ঙসি এটেক ওন হ্যুমেন রাইটস দিফেন্দর হায়বা হিরমদা নোংমগী ওইবা কন্সল্টেসন মীটিং পাঙথোকখিবগা লোয়ননা নুপী-অঙাং ঙাক্লবা ষ্টেট প্রোটেক্সন মেকানিজম পুথোক্লবা তকশিনবা য়াওনা ৱারেপ কয়া লৌখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা কন্সল্টেসন মীটিং অদুদা লৌখিবা ৱারেপশিংদি থা অসিগী ৪ দা য়ুনাইটেদ এন জি ও মিসনগী থৌ পুবা য়ু নবকিশ্বরগী মচানুপীদা নোংমৈ কাপ্পকখিবা থৌওংগী মতাংদা মরাল লৈবশিং ফানবা পুলিসতা তকশিনবা, কেস অসিগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টর, গভর্ণরনা মীৎয়েং চঙবীদুনা থোইবী অমদি মহাক্কী ইমুং-মনুংগী মেম্বরশিংগী প্রোটেক্সন পীবীনবা কম্যুনিকেট তৌবা, ষ্টেট অসিদা লাইসেন্স ইস্যু তৌবা অমসুং অপীকপা নোংমৈ মচা মশিং হেনগৎলক্লিবা অসি মোনিটর তৌনবা গভর্ণমেন্টতা তকশিনবা, হ্যুমেন রাইটস দিফেন্দর অমদি মখোয়গী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদা এটেক চথরক্লিবা কয়া অসিগী মতাংদা তৌবীদনবা আপিল তৌবা, হ্যুমেন রাইটস দিফেন্দরশিংবু ঈকায় খুম্নবীনবা ষ্টেট অমদি সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টতা তকশিনবা অমদি নুপী-অঙাং ঙাক্লবা ষ্টেট প্রোটেক্সন মেকানিজম পুথোক্লবা লৈঙাক্তা তকশিনবা হায়বা অসিনি।

কন্সল্টেসন মীটিং অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা য়ু নবকিশ্বরনা হায়খি, থা অসিগী ৪ দা মহাক্কী মচানুপীনা বোলেরো অমদা কক্ৱারোমদা চৎপদা নুপা খরনা গাড়ীদা ইন্নরকপগা লোয়ননা কা-হেনবা ৱাহৈ-ৱাতা শীজিন্নরকখি। নুপা অমনা নোংমৈ শৎতোক্লগা কাপ্পকখি। থৌওং অসি য়াম্না লাইবক থীবনি। হিরম অসিগী মতাংদা কক্ৱা পি এসতা কমপ্লেন্ট অমসু তৌরে। নুপী ঙাক্তা গাড়ীদা চৎপদা চথরক্লিবা থৌওং অসি চিংননিংঙাই ওই। হ্যুমেন রাইটস দিফেন্দরগী ইমুং-মনুংগী মীওইদা এটেক চথবা লাইবক থীবনি। নোর্থ ইষ্টতা হ্যুমেন রাইটস দিফেন্দরশিংদা এটেক চথবগী চাং অসি ৱাংখৎলক্লি। মীওইবগী রাইটকীদমক নৌজ রিবশিংদা চথরক্লিবা থৌওং অসি য়ানিংদে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা হ্যুমেন রাইটস এলার্টকী এগজিক্যুটিভ দিরেক্টর বব্লু লোইতোংবমনা হায়খি, নুমীমচাশিং অদুনা গাড়ী থৌদুনা চৎপদা নোংমৈ কাপ্পকখিবা অসি করি মরমগীনো হায়বা য়েংশিন্নিংঙাই ওই। নুংথিলগী মতমদা নোংমৈ পুরগা চৎলিবশিং অদু কনানো হায়বসিসু য়েংশিন্নিংঙাই ওই। হ্যুমেন রাইটস দিফেন্দরশিংদা কিহন-খঙহনবগী থৌওং চথরক্লি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা নোর্থ ইষ্ট দাইলোগ ফোরমগী বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী কনভিনর এল পিশকসু ৱা ঙাঙখি। থৌরমদুদা য়ু এন এম এনগী ইন্টর্নেল কন্সল্টেন্ট ও জে মৈতৈ, আই আর দি এগী প্রসিদেন্ট ইস্লামুদ্দিন, সেন্টর ফোর ৱিমেনগী প্রসিদেন্ট এন জিবনমালা, য়ু এন এম এমগী চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী কনভিনর রোমিও, য়ু এন এম এম ইম্ফাল ৱেষ্টকী কনভিনর রাধাপিয়ারিসু দেজদা ফমখি।

# বাংলাদেশতা খোঙ্গুল লীবা খোঙচৎকীদমক্তা ইম্ফাল থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস): সী সী এস কে অমসুং আম্মিক অনী খুৎশম্নদুনা বাংলাদেশতা খোঙ্গুল লীবা খোঙচৎকীদমক্তা আম্মিকী আর্টিষ্টশিং, এদভাইজর অমসুং ব্লু বেন্দগী টিমশিং ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

কংলা গেটতগী সেকমাই এ সীগী এম এল এ হৈখাম দিঙ্গোনা লমথাখিবদা হায়খি, মরুওইনা শৈশকপশিংনা ঈশৈনা লোলনি হায়বা পাউজেল অসি পুদুনা চৎপনি। মণিপুরগী ঈশৈ অমদি শৈশক কয়াদু খঙহন্নবা হোৎনবনি। বাংলাদেশতা লৈরিবা মণিপুরীশিং অমদি ত্রিপুরাদা লৈরিবা মৈতৈশিং ইমা অমত্তগী মচানি হায়বদু উৎলুগদবনি। মসিনা নুংশিনবগী মরী অদু পুরক্লগনি হায়খি।

আম্মিক্কী সেক্রেটরি ময়েংবম ধনঞ্জয়না হায়খি, চৎকদৌরিবা খোঙচৎ অসি বাংলাদেশকী সিলেটতনি। কলচরেল এক্সচেঞ্জ তৌবা অমদি ঈগী মরীগী খোঙ্গুল লীবনি। বাংলাদেশতা লৈরিবা মণিপুরীশিংগা মতেং পাংনবগী মরী থম্নবা খঙমিন্নবা অমসুনি। মেম্বর ৩০ য়াওনা এদভাইজরশিং য়াওনা চৎপনি। চৎলিবা খোঙচৎ অসিগী ব্লু বেন্দ অসিসু বাংলাদেশনা য়াম্না পাম্বা অমসু ওইবদগী পুবনি। বাংলাদেশতা চৎপা অসিদা ইন্দিয়ন এম্বেসেদরশিংগসু উনরক্কনি।

মসি মতুং হল্লকপদা থা অসিগী ১২ দা ত্রিপুরাদা থুংগনি। ঈশৈগী প্রোগ্রাম অমসু পাঙথোক্কনি। পাঙথোক্কদৌরিবা ঈশৈ প্রোগ্রাম অসিদা ফোক সোং, মতম ঈশৈনচিংবা কয়াসু শক্কনি। মণিপুরগী ফোক সোং করম্না শকই, মতম ঈশৈ করম্না শকই হায়বসিসু খঙনবনি। মসিগা লোয়নবদা মখোয়না খঙনিংবা কয়াদা ইন্টরেক্সন তৌগনি হায়খি।

এদভাইজর কে ঐচ লোয়ানা হায়খি, বাংলাদেশতা লৈরিবা মৈতৈশিংসি খরদি মতু শোন্না লৈরি হায়বা য়াই। মখোয়গী চাকথুংসু মপুং ফানা ফংদবা কয়াসু লৈরি। মখোয়দা মরেক মহাও য়াওনা হিংবা ঙম্নবগীদমক্তা বাংলাদেশকী এদমিনিষ্ট্রেটরশিংগসু উনগনি হায়খি।

খোঙচৎ অসিনা বাংলাদেশকী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা চৎতুনা লমদম অদুদা খুন্দারিবা কয়াগা উনদুনা ৱারী শানগদৌরি। বাংলাদেশতা খুন্দারিবা মৈতৈশিংগসু উনগদৌরি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

# মরম চাদনা মিনিষ্টরদা এলিগেসন তৌবা লাইবক থীবনি : এল জে পি

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস): লৈঙাক পায়মিন্নরিবা এম এল এনা মরম চাদনা সী এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টরদা এলিগেসন তৌবা লাইবক থীবনি। কন্ট্রেক্টরনা চেঙ লৈ হায়রিবসিদা করিগী মিনিষ্টরদা চার্জ তৌরিবনো হায়না এল জে পি ষ্টেট য়ুনিটকী ৱাঙাঙলোয় এন ইবোহলনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

বাবুপারাদা লৈবা এল জে পিগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা এন ইবোহলনা হায়খি, খুরাই এ সীগী চেঙ ফংদে হায়রিবা থাশিং অদুগী চেঙ কন্ট্রেক্টরদা লৈ। শেল দিপোজিট তৌরগা লৌবা য়াগনি হায়না কন্ট্রেক্টর মশানা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। মরম চাদনা মিনিষ্টরদা এলিগেসন তৌবা অসি য়ানিংদে। সী এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টরগী মথক্তা চার্জ তৌরক্লিবশিং অসি কন্দেম তৌই। চেঙ ফংদে হায়রিবা অদুদি নোমিনিনা কন্ট্রেক্টরদা শেল পীথোক্তবগী ওইরম্লে। অদুগা করিগীদমক এম এল এনা মরম চাদবা এলিগেসন কয়া তৌদুনা লৈরিবনো। লৈঙাক পায়রিবা অসিদা লোক জন শক্তিসু য়াওরিবনি। লৈঙাক পায়মিন্নরিবা এম এল এনা মরম চাদনা চার্জ তৌরকপা অসি য়াম্না লাইবক থীবনি। চার্জ তৌবগী মহুৎতা নোমিনিনা কন্ট্রেক্টরদা শেল পীথোক্লগা চেঙ লৌবীয়ু।

চেঙগা মরী লৈনবা হিরম অসিগী মতাংদা থিগৎনবা কম্মিটি অমসু শেমদুনা য়েংশিল্লিবনি। অুম্ম-অরান করি লৈবগে হায়বদু অদুম্মক খঙ্গনরগদবা ঙাক্তনি। এম এল এ ফম থাদোক্কনি হায়বনচিংবা ৱাফম ফোঙদোক্তুনা চথরিবা থৌওং অসি তোকপীরো। মরম চাদনা মখা তানা অসুম্মক চার্জ তৌদুনা লৈরগদি দিফেমেসনগী ৱাফম ফাওবা লাকপা য়াই। চেঙ ফংদবগী মরম নীংথিনা থিবগী মহুৎতা মিনিষ্টরদা ওনশিল্লগা চার্জ তৌবা অসি কন্দেম তৌই। জে এ সীনসু মরম চাদনা এলিগেসন তৌবীগনু হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

# চিলদ্রেন ঠিএটর ৱার্কশোপ লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস): নেসনল স্কুল ওফ দ্রামা, ন্যু দিল্লিগী মীৎয়েং মখাদা পি তোম্বা লিগেসি ঠিএটর, বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা চথরকপা চিলদ্রেন ঠিএটর ৱার্কশোপ ঙসি বিষ্ণুপুর থিয়াম লৈকায়দা লৈবা ৱার্কশোপ দিরেক্টর পি রিতাগী য়ুমদা লোইশিনবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা ঠিএটর ক্রিটিক অমসুং দিরেক্টর বুধ চিংথামনা হায়খি, ৱার্কশোপ অমসুং দ্রামাটিক প্লেদা অঙাংশিংবু শরুক য়াহনবা হায়বসি য়াম্না মরুওই। মরমদি অঙাংশিংগী ৱাখলদা মচিন থৌহনবা, ইন্টলেকচুয়েল অমদি ইমোসনেলদা দিভলপমেন্ট পীবদা মতেং পাংই। দ্রামাটিক প্লেনা লোল খঙহনবদা নত্তনা লিটরেসি স্কিল হেনগৎহনবদা নত্তনা, এক্সন, কম্যুনিকেসনদা অমদি চাকচা-য়ুথক্কী ওইবা কয়াদসু খঙহল্লি। মসিদসু নত্তনা তোঙান তোঙানবা চৎনলোনচৎ কয়াদসু অমসুং ফিজেৎতা কান্নবা পীরি। অঙাংগী পূক্নিং ৱাখলগী অশোনবা কয়াগী আউলেট অমনি হায়খি।

প্রসিদেন্ট ওইখিবা পোৎশংবম লৈমনা অঙাংশিংবু য়োকখৎপদা মমা-মপাশিংনা লৌরিবা থৌদাংবুসু থাগৎখি। কলা হায়বসি য়োকখৎপা মরুওই হায়নসু মখা তাখি।

# থা ৫ গী চেঙ লৈ হায়রগদি পীবীরো, মীয়ামদা ফংহল্লগে : সুসিন্দ্রো

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস): নেসনল ফুদ সিক্যুরিটি এক্ট (নফসা) গী মখাদা খুরাই এ সীগী ফংদনা লৈরিবা থাশিংগী চেঙ লৈ হায়রগদি পীবীরো, মীয়ামদা ফংহল্লগে হায়না এম এল এ, এল সুসিন্দ্রোনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

এম এল এ, এল সুসিন্দ্রোগী য়ুমদা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা হায়খি, খুরাই এ সীগী মীয়ামগী ফংফম থোকপা নফসাগী চেঙ থা খরগী ফংদনা লৈরিবা অসি কন্ট্রেক্টরগী কষ্টদিদা লৈ হায়রগদি পীবীরো, মীয়ামদা থাশিং অদুগী পুন্না ফংহল্লগে। নফসাগী চৎন-কাঙলোন মতুংইন্না চেঙ চিংবগী থবক অসি নোমিনিনা সী এ এফ এন্দ পি দিগী দি এস ওগী খুথাংদা দিপোজিট তৌরগা চেঙ চিংগদবনি। কন্ট্রেক্টরদা দিপোজিট তৌবগী ৱাফমদি চৎন-কাঙলোনদা য়াওদে। কন্ট্রেক্টরদি চেঙ চিংথোক-চিংশিনগী থবক্তা মরী লৈনবশিং পায়খৎকদবনি। খুরাই এ সীগী থা ৫ গী চেঙ কন্ট্রেক্টরগী কষ্টদিদা লৈ হায়রবনিনা চেঙশিং অদু অমুক্তদা পীথোকপীরো। মীয়ামদা ফংফম থোকপা চেঙশিং অদু য়ৌহনখ্রগে।

এম এল এ হায়বসি মীয়ামগী অৰা-অনা অমদি থবক থৌরমশিংদা অঙন্বা মতেং পাংনবা লৈরিবনি। চেঙ ফংদবগী অৰাবা লৈরে হায়রবদি এম এল এনা মীৎয়েং চঙবা তাবনি। খুরাই এ সীগী থা খরগী চেঙ ফংদবগী মতাংদা মরী লৈনবশিংদা খঙহনখিবা লৈরবনি। চৎন-কাঙলোনগী মতুংইন্না ফংফম থোকপা চেঙশিং অদু মীয়ামদা ফংহনবা হায়বসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। খুরাই এ সীগী মীয়ামগী ফংফম থোকপা চেঙশিং অসি য়ৌহন্নবা হোৎনগনি। কন্ট্রেক্টরদা থা ৫ গী চেঙ লৈ হায়রবনিনা পীথোকপীরো। সী এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টরনসু মমাঙদা খুরাই এ সীগী ফংফম থোকপা চেঙ ফংহনগনি হায়বা ৱাফম মশানা ফোঙদোকখিবা লৈরবনি।

নফসাগী মখাদা মীয়ামগী ফংফম থোকপা চেঙশিং ফংহনবা হায়বসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। এম এল এনা গোদাউনদগী হেক্তা চিংলুবা য়াবা নত্তে। নোমিনিগী খুথাংদা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টতা দিপোজিট তৌদুনা অয়াবা লৌরগা ট্রান্সপোর্ট কন্ট্রেক্টরনা চেঙ চিংলবা মতুংদা এজেন্সীশিংদা ফংহনগদবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, ঙসি অয়ুক জে এ সী এগেনষ্ট বোম ব্লাষ্ট এট খুরাই সাজোর লৈকায়গী কনভিনর সী ঐচ উশারঞ্জননা পাউমীশিংগা উনবদা হায়খি, খুরাই এ সীগী মীয়ামগী ফংফম থোকপা নফসাগী চেঙ ফংহনবীয়ু হায়না লাউবনি। থা কয়াগী ফংদনা লৈরিবা চেঙশিং অসি ফংহনবীয়ু হায়জবনি। খুরাই এ সীগী মীয়ামগী মাঙখ্রিবা চেঙশিং অসি ফংনবা পুন্না হোৎনমিন্নসি। পোলিটিকেল পার্টি অমগী সেক্রেটরিনি হায়বা মীওই অমনা ৱাফম কয়া ফোঙদোকপা থেংনরে। জে এ সীনা পোলিটিকেল পার্টি অমত্তবু অমদি এ সী অমত্তবু হুনখিবা লৈতে। খুরাই এ সীগী নফসাগী চেঙ ফংফম থোকপা ফংদবগী ৱাকৎতুনা খোঙজং চঙশিনবনি। মসিদা অমগা অমগা হুন্নবা পামদে। ফংফম থোকপা চেঙ অদু মরী লৈনবা মিনিষ্টরনা ফংহন্নবা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়বনি।

লংথবাল এ সীগী এম এল এ ফম থাদোকউ হায়না খুরাই জে এ সীনা হায়খিবা লৈতে। চেঙগা মরী লৈনবা থবক অসি সী এ এফ এন্দ পি দিনা ওইবনা দিপার্টমেন্ট অসিগী মিনিষ্টর ফম থাদোকউ হায়খিবনি। নুমীৎ ১৫ নিগী মনুংদা চেঙগা মরী লৈননা চেন্নবশিং এক্সন লৌখৎকনি হায়খিবা লৈখ্রবনি। ঙসি ফাওবা কনাগুম্বা অমত্তবু এক্সন লৌখৎখিবা লৈত্রি। ঙাঙথোকখিবা ৱা ঙাকপা ঙমদবা ওইরি। খুরাইগী জে এ সীগী অপান্বদি মীয়ামগী চাকথুং ফংহনবা ঙমদবা মিনিষ্টর ফম থাদোকউ হায়বনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। তুংদা তোপ খোংনাংখোঙগী থোং মনাক্তা সী এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টরগী ইফিজি মৈ থাখি হায়রি।

# শেল দিপোজিট তৌরবদি চেঙ চিংবা য়াগনি : হেমন্তা

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস): খুরাই এ সীগী থা ৫ গী চেঙ ফংদে হায়না মরাল শিরিবা অসি শেল দিপোজিট তৌরবদি কোটা অসি চিংবা য়াগনি হায়না এন ঈ ইন্টরপ্রাইজেসকী প্রোপ্রাইটর এল হেমন্তনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা এল হেমন্তনা হায়খি, খুরাই এ সীগী চেঙগী মতাংদা এম এল এ অমদি মহাক্কী মীওইশিংনা ফোঙদোক্লিবা ৱাফমশিং অসি মরম চাদে। থা ৫ গী চেঙ ফংদে হায়রিবদু চেঙ লৈ। শেল দিপোজিট তৌরবদি অদুম্মক চিংবা য়াগনি। নফসাগী মখাদা ইম্ফাল ইষ্টকী তোঙান তোঙানবা এ সী মঙাগী কন্ট্রেক্টরগী থবক পায়রিবনি। অতৈ এ সী অমত্তদা অসিগুম্বা মওং অসি থোক্তে। খুরাই এ সীগী থা ৫ গী চেঙ ফংদে হায়রিবা অদু দিপোজিট তৌরগা অদুম্মক ফংগদবনি। দিপোজিট তৌদ্রবদি মতৌ করম্না চেঙ চিংবা য়াগদৌরিবনো হায়বা ৱাফম খন্থনিংঙাই ওই। এম এল এ মশাগসু ৱারী শাননবা হোৎনবদা উনবগী মতম পীরক্তে। সী এ এফ এন্দ পি দিগী ষ্টোরেজ দিপোদগী থা ২৪ গী চেঙগী কোটা চিংথোকপগী মনুংদা খুরাই এ সীগী নোমিনিনা থা ১৯ গী শেল পীথোকখ্রে। লেমহৌরিবা থা ৫ গী চেঙ থন্লি। কোটা অসি দিপোজিট তৌফম থোকপা শেনফম পীশিল্লক্লবদি অদুম্মক লৌরবা য়াগনি।

ইম্ফাল ইষ্টকী এ সী মঙা অমদি অতোপ্পা এ সী অনী পুন্না এ সী তরেৎকী কন্ট্রেক্টরগী থবক পুরিবনি। য়ুম্ফম য়াওদবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্তুনা সী এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টরদা লান্না উহন্নবা হোৎনবীগনু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# থাঙ্গা হৌরেং চীংয়াং পন্দোনদা অমোৎ-অকায় শেংবা হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস): গুদ কর্মা ফাউন্দেসন, থাঙ্গাগী মেমোরেন্দম নম্বর ৫ (সী) দা য়ুন্ফম ওইদুনা লোক্তাক পাৎ অমদি অকোয়বগী ইনভাইরনমেন্ট ঙাক-শেন্নবগী পান্দমদা রেগ্যুলর কেম্প্যেন ফোর সেভ লোক্তাক হায়বা বেনর মখাদা থাঙ্গা হৌরেং চীংয়াং পন্দোনদা মিটর ১০০গী এরিয়াদা ঙসিদগী অমোৎ-অকায় শেংদোকপা হৌখ্রে হায়না জি কে ফাউন্দেসনগী প্রসিদেন্ট এস নোরেননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, প্রোগ্রাম অসি অকক্লবা মতম ঙাইদনা লোক্তাক পাৎ অমদি অকোয়বদা তারিবা খুলশিং অমদি লোক্তাক্তা তারিবা তুরেল মরিলশিংদা চাং নাইনা শেংবগী থবক চঙশিনগনি। লোক্তাক পাৎতা মরাং কাইরম্বা এঞ্জাং-নাপী, মনা-মশিং অমদি ঙা মখল কয়া মাঙশিল্লক্লিবা অসি কন্নবা থৌদাং লৌমিন্নসি। ইনভাইরনমেন্টতা অকায়বা পীবা প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিং অসি লোক্তাক পাৎ অমদি তোঙান তোঙানবা কংফালগী লমদা খুন্দারিবা মীপুম খুদিংমক্না লোইশিনহৌদ্রবদি মতম খরগী মতুংদা লোক্তাক পাৎ অসি মুৎখ্রগনি।

লোক্তাক পাৎ কন্নবা হোৎনবদা পাৎ অসিদা তারিবা তুরেলগী মশা-মরেংশিং লূ-নান্না থম্বদা পুন্নমক্না থৌদাং লৌমিন্নসি। ইলেক্ট্রিক শীজিন্নদুনা ঙা ফারিবা অমদি খোই-লাং নৎত্রগা হূ চেনবা হিদাক শীজিন্নদুনা লোক্তাক্তা তারিবা উচেকশিং ফারিবা মীওইশিংগী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎপা হৌরগনি। লৈঙাক অমদি লন্নাই হায়বা ৱাখল থাদোক্তুনা মীপুম খুদিংমক্কী ৱাখল্লোনশিং হোংদোক্তুনা প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিং অসি মহুৎ শিনবা য়াবা ৱাখল্লোন পুথোকপীয়ু। লোক্তাক পাৎ কনবা খক্তা নত্তনা গ্লোবেল ৱার্মিংগী অৰাবা কন্নবা থৌদাং লৌমিন্নসি। লোক্তাক কোয়রুবগী ফজ-ফজরবা পিকচর কয়া সোসল মীদিয়াদা থাগৎনরবসু হকশেলগী লমদা অমাং-অতা থোকহল্লিবা প্লাষ্টিক অমদি হূ চেনবা ময়াম সোসল মীদিয়াদা পুথোক্তুনা ইনভাইরনমেন্ট কন্নবা থৌদাং লৌবীয়ু।

কেম্প্যেন অসিগী শরুক অমা ওইনা লোক্তাক পাৎতা হুন্দে দাক্লম্বা প্লাষ্টিক বট্টল অমদি প্লাষ্টিক বেগনচিংবগী অমোৎ-অকায় চাউরাক্লা কেজি ৮০ মুক্কী চাংদা খোমগৎপা ঙম্লবনিনা কিলোমিটর ২৮৭ মুক চাওবা লোক্তাক পাৎ অসিগী অকোয়বা মফম পুন্নমক্তা অমোৎ-অকায় কয়া য়াম্না লৈরমগনি হায়বসি পুন্নমক্না ৱাখল তৌবীদুনা লোক্তাক কল্লসি। তোঙান তোঙানবা ফেক্টরি/ইন্দষ্ট্রি অমদি য়ুমথোঙ কয়াদগী থাদরকপা হূ চেনবা মহি-মনাই, মচুমশিং অসি লোক্তাক পাৎ অসিদা তীনশিল্লক্তুনা ফ্রেস ৱাটরনি হায়না চীন্দা কোয়লাউ লাউবনা লোক্তাক অসি কনবা ঙমগনি হায়বসি ওইথোক্তবনি। য়ারিবমখৈ নেচরেল রিছোর্স মরাং কায়না ফংহন্নবা লৈঙাক অমদি লন্নাইগী ৱাখল থাদবীয়ু।

লোকল অমদি ফোরেন টুরিষ্টশিংগী পূক্নিং চিংশিনফম ওইরিবা থাঙ্গা হৌরেং চীংয়াং পন্দোন অসিদা জি কে ফাউন্দেসন, থাঙ্গানা শেমদুনা থমজরিবা দষ্টবিনশিং অসি শীজিন্নবীয়ু। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মণিপুরগী তুরেল মরিলশিং অসি লূ-নান্না লৈনবগীদমক্তা নেসনল রিভর কঞ্জার্ভেসন প্লান্টগী মখাদা রিজুবিনেসন এন্দ কঞ্জার্ভেসন ওফ নম্বুল রিভরস এট ইম্ফাল হায়রিবা প্রোজেক্ট অসি শৌগৎচবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা থবক্তা ওন্থোকপীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## TRANSFER OF OWNERSHIP

This is hereby informed that **M/s P. I. S. Brick Field** operating under Factory Licence No. 105/FACT/Brick located at Wangjing Saban Checkon Leikai, P. O. Wangjing, Thoubal District will change ownership from the present owner namely **Shri Paonam Kebisana Singh, Wangjing** to **Smt. Paonam Memcha Devi, Wangjing** on the demise of Shri Paonam Kebisana Singh. Any objection should reach Chief Inspector of Factories and Boilers cum Director of Trade Commerce & Industries Manipur within 14 (fourteen) days from the date of publication.

**Sd/- Philip Paonam**
# 9650834413

HL-P/3361/10

## OFFICE OF THE PRINCIPAL SAGOLMANG HIGHER SECONDARY SCHOOL, SAGOLMANG, GOVT. OF MANIPUR

## ADMISSION OPEN FOR

Class - XI, Science for the Session, 2019-20

**Admission Fee - Rs. 500/-**

**Uniform Free of Course**

Please collect Admission Form from the School office during the office hour.

For details please contact : # 9856687814, # 9862293848

**Sd/- Principal**
Sagolmang Hr. Sec. School
Sagolmang, Govt. of Manipur

HL-P/3357/10

## IN THE COURT OF ASSTT. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL GOVT. OF MANIPUR

**Ref :- Mutation Case No. 357/AS&SO/TBL Dt. 06/07/2019**

1) Laishram Shyamkishor Singh S/o (L) L. Nodiachand Singh of Khangabok.
2) -do- Kunjababu Singh S/o (L) -do- of -do- ...Applicants

-Vs-

(Late) Laishram Nodiachand Singh S/o (L) L. Parijat Singh of Khangabok. - OPP

**NOTICE**

9/07/2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি তহশিল থৌবাল খুন নং ৩৩ - খাঙবোক পাট্টা নং ৫০৪ (অরিবা), ২২৬৮ (অনৌবা), দাগ নং ৩৩৫০, এরিয়া .১০৭৫ হেক্তর চাউবা ইঙ্খোল অসিদা নামা পাল্লিবা পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা মৃ: পাট্টাদারগী মচানুপা দংকারিশিংগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না মথক্কী উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা ওবজেক্সন তৌনীংবা লৈরবদি মথক্কী উক্ত কোর্ট অসিদা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা য়েৎলবা য়াগনি নৎত্রবদি হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চথরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌরোই।

*Sd/-* **M. Ningthembi Singh**
**Asstt. Survey & Settlement Officer**
**Thoubal, Govt. of Manipur**

HL-P/3362/10


## APOLLO TUTORIAL CENTRE

Moulding Medical and Engineering Career

*Admission Open For*

**2nd Foundation Course**
XI Sc. & XII Sc. (CBSE & COHSEM)
English Tution- Sunday & Holiday ( Morning)
Class Commence : 15th July 2019

**Apollo - NEET (UG)**
Regular Medical Entrance Course 2019-20
Intake capacity : Only 25 students per class
*Special feature :*
Extensive and intensive teaching - learning system
Class Commence : 18th July 2019

| Physics Faculty | Chemistry Faculties | Biology Faculties | Maths Faculties | English Faculty |
|---|---|---|---|---|
| Madam Tamphasana Former Lect.: HRD Academy St. Joseph's School Maria Montessori Sr. Sec. School | 1. Miss Nuja Lect. .................... Sch. 2. Miss Saroja Lect. MEM Hr. Sec. Sch. | 1. Miss Lunfasana Former Lect. HRDA 2. Sir Romharsha Lect., KP College | 1. Sir. L, Basanta Former Lect.: HRDA 2. Sir Ingobi Lect. ADVANCE Sch. | Sir. Susil Singh Former Lect. : Little Master Sch. KP College & DAV |

Facilities : Free Text Books Sets, Study Materials, Weekly Unit Test . Van Services Hostel (Boys & Girls) Office timing: 7 am - 7 pm

**Pliz contact : Apollo Office, Kwakeithel Bazar Near AMUCO Office, Imphal-795001**

HL-B/5460/11-30june/1-10july



## RVTC Rahmania Vocational Training Centre

**Main Office:** OPP. Hundred Flowers School Thangjam khunou Khurai Pangei road, Imphal East

**Branch Office:** Zomi Villa Gate, North AOC Imphal West

## ADMISSION OPEN (July Session 2019)

Applications are invited for admission to various Certificate & Diploma courses (July Session 2019)

| COURSE CODE | Course Name | Min. Entry Qualification | Seat availability |
|---|---|---|---|
| SIX MONTHS COURSES | | | |
| ADV-219 | Certificate in Digital Film Making | 10th pass | 20 |
| COM-1243 | Certificate in Secretarial Practice | 12th pass | 30 |
| SEC-1041 | Certificate in Public Relations Officer (PRO) | 12th pass | 30 |
| SEC-1032 | Certificate in Personality Development | 10th pass | 30 |
| COM-470 | Diploma in Call Centre Training | 10th pass | 30 |
| COM- 471 | Diploma in Computer Application (DCA) | 10th pass | 30 |
| THREE MONTHS COURSES | | | |
| ADV-199 | Certificate in Digital Camera Photography | 8th pass | 30 |
| COO- 524 | Diploma in Baking, Confectionary & Cake Art | 8th pass | 25 |
| CUT-549 | Certificate in Tailoring | 8th pass | 20 |
| CUT-552 | Certificate in Dress Designing | 8th pass | 25 |
| ONE YEAR COURSES | | | |
| ADV - 227 | Diploma in Journalism & Mass Com. | 12th pass | 30 |
| TEA-1276 | Diploma in Montessori & Nursery Teacher training | 10th pass | 40 |
| COM-494 | Post Graduate Diploma in Computer App.(PGDCA) | Graduate | 30 |

*Other Details*

1. Application form is available at the Centre's Office or Download form from www.rvtcimphal.co.in
2. **Class commencing from - 15th July 2019**
3. Candidate can apply for more than one course but a separate application shall have to be submitted for each course.
4. The Training Centre is approved by NCVRT under Ministry of Corporate Affairs.
5. Office Hour- 10:00 am to 3:00 pm.
6. Contact us at 7005975343/8837073797 or visit us at www.rtvcimphal.co.in

HL-P/3360/10,12,14